HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




চহী ৩০০ লোমগী তুংদা জুন ৮, ২০২৪দা ৱাচুম কাঙলোন থোঙ হাংবা লাইলুপকী লুচিংপুরেল চীঙ্গাংবম নন্দলাল অঙোমচানা লুচিংদুনা মোংবা হনবা লাইফমলেনদা চঙদুনা ঈরাৎ থৌনি হৌদোকখিবা


য়ূমদা মফম চাদনা মহুম শাজিল্লকপা খোই তানবা ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ মণিপুরী জগোয়-ঈশৈ অমদি হৌজিক

পৈশা তানবা নৎত্রগা তান্নবা ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ জিরিবামগী য়েলহৌমীশিং কল্লু : জে সী আই এল পি এস

জুন ১২ দা চন্দ্রবাবু নাইদু অন্ধ্র প্রদেশকী সি এম ওইনা ... ☛ লামায় ৮

লামায় ১২ ☛ নুমিৎ ২৫নি চথরকখিবা সম্মর খো-খো কোচিং ...


উখুল, সেনাপতি অমদি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তকী লৌমীশিংনা কেমিকেল শীজিন্নদনা পুথোরকপা উহৈ-ৱাহৈ, এঞ্জাং-নাপিশিংগী ওইবা প্রমোসনেল সেলগী থৌরম অমা সঙাইপ্রৌদা পাঙথোকপদা শরুক য়াখিবশিং





Vol. 48, Issue No. 068 | নোংমাইজিং, ইঙাগী হুমনি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, June 09, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


# মণিপুরগী লান : জিরিবামসু মীতৈশিংগী ২শুবা চুড়াচান্দপুর ওইরক্কদৌরিব্রা

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌদুনা কুকি লমহেনবশিংনা মখোয়গী টেররিষ্টশিংগা খুৎশম্নদুনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা চথরক্লিবা তমথীরবা লান অসিনা মরম ওইরদুনা চীংগী দিষ্ট্রিক্তশিংদা লৈরম্বা মীতৈশিং কিহন-খংহন্দুনা তাম্থোরকপদা নত্তনা য়ূম-কৈ অমসুং লন-থুমশিং মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রবা মতুংদা মণিপুরগী আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি (এস টি) গী মনুং চল্লিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতসু মীতৈবু হাৎপা-তুপ্পা য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং অমসুং মীতৈগী য়ূমশিং পাক্তক্লনা মৈ থাদোরকপনা দিষ্ট্রিক্ট অসিসু য়েলহৌমী ওইজরিবা ফ্রুপ অসিগী অনীশুবা চুড়াচান্দপুর ওইরক্কদ্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

জিরিবামগী হন্দক্কী থৌদোক অসি থা অসিগী ৪দা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশীং থিবা লোইরবা মতুং থা অসিগী ৬কী নুংথিলদগী হৌরকখিবনি। নুমিৎ অসিদা সোইবম সরতকুমার কৌবা মীওই অমা ফাদুনা পুখ্রগা তমথীনা হাৎতোক্লল্লবা মতুং ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী বরাক সর্কল এরিয়াগী মনুং চল্লিবা ভুতানখাল, হরিনগর, লৈকোইবুং অমসুং লমতাই খুনৌদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চঙশিল্লত্তুনা মীতৈগী য়ূমশিং মৈ থাদোকখিবনি।

থৌদোক অসিগা ইরোয়ননা ঙসি নোংঙাল্লমদাই

## পুলিস আউট পোষ্ট ২, ফোরেষ্ট ওফিসশিং মৈ থাখ্রে, ইম্ফালদগী কম্মান্দোশিং থুংখ্রে



ইম্ফালগী কংলাদগী হেলিকোপ্টরনা হোনখিবা কম্মান্দোশিং জিরিবামগী হেলিপেদতা থুংলখিবা

পুং ৪ রোম তারকপদসু কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীতৈশিং লৈরিবা লমতাই খুনৌরোমদা কোইশিল্লত্তুনা লান্দারকখি। কুকি টেররিষ্টশিংনা চথরকপা অকনবা এটেক অসিবু ষ্টেট ফোর্সকী মায়কৈদগী পুলিস অমসুং আই আর বিনা হন্দুনা খুৎ থোক্লখি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী অসাম রাইফলসকী খুৎপু অমা চঙশিল্লক্লবা মতুংদতা কুকি টেররিষ্টশিংনা চথরকখিবা এটেক লেপখি। অদুম ওইনমক মখোয়না জিরি মুখ পুলিস আউট পোষ্ট, সোতোবেক্রা আউট পোষ্ট য়াওনা গুৱাখাল ফোরেষ্ট বিট ওফিসনচিংবা মৈ থাদোক্লমখি। অদুগা পাউমী অমগী য়ূম য়াওনা মীতৈগী খুল ৪গী য়ূম ৭২সু মৈ থাদোক্লমখি।

## কুকি টেররিষ্টশিংনা জিরি মুখ পুলিস আউট পোষ্ট, সোটোবেক্রা পুলিস আউট পোষ্ট, গুৱাখাল ফোরেষ্ট বিট ওফিস মৈ থাদোক্লল্লে

## জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তকী মৈ থাদোক্লল্লবা মীতৈগী য়ূমশিং

১) ভুটানখাল - য়ূম ১
২) হরিনগর - য়ূম ১
৩) মোধুপুর - য়ূম ৫
৪) লমতাই খুনৌ - য়ূম ৬৫
অপূনবা য়ূম - ৭২

মৈ থাদোক্লমখিবা মীতৈগী য়ূমশিং লৈরিবা খুলশিং অদুদি ভুটানখালদা ১, হরিনগর-১, মোধুপুর-৫ অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## জিরিবামগী মীয়াম্বু থংদোকপগী মহুত্তা লেঙদনা লৈহল্লগা ঙাক শেনগদবনি : এম পি বিমোল



**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :**

হন্দক পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশীং থিবা হেক লোইখিবগা পন্থদনা লোইবা খন্বা নাইরক্ত্রিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান মখা চথরক্তুনা জিরিবামগী মীতৈ অমা তমথীবা মওংদা হাৎলবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা ফ্রুপ অসিগী য়ূমশিং মৈ থাবা য়াওনা কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা চথরক্লিবা অকনবা লান অসিগী মতাংদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী নৌনা এম পি খল্লবা ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা জিরিবামগী লান নংলবা মীয়াম্বু অতোপ্পা মফমদা থংদোকপগী মহুত্তা মখোয়না লৈরক্লিবা মফমশিং অদুদা অদুমক লেঙদনা লৈহল্লগা মখোয়গী পূন্সি অমদি লন-থুম ঙাক ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## কুকি টেররিষ্টশিংনা জিরিবামগী মীতৈ খুলশিং মথং-মথং লান্দাহল্লক্লিবা করিগীনো : সোবিতা



**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তকী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীতৈ খুলশিংগী য়ূমশিং কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিনবদা নত্তনা মৈ থাবা হৌরকপদা মশাগী ময়ূমসু তুম্না চাকখ্রবা জিরিবামগী দুর্গাপুর লমতাই খুনৌদগী সোইবম ওংবী সোবিতা (৫১), মপুরোইবা সোইবম রামনা পাউচে অসিদা হায়, তেল্লবা নুমিৎ নীনিসিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি শিন্দোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটেরি (দি পি) না থোকপা ওর্দর অমদা মণিপুর পুলিস ট্রেনিং কোলেজ (পাঙ্গৈ) গী ইন-চার্জ দিরেক্টর ওইবগা লোয়ননা কোলেজ অসিগী এদিসনেল দিরেক্টর ওইরকখিবা মহারাবম প্রদিপপু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সিনিয়র এস পি ওইনা খুদক্তগী মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা ট্রান্সফর তৌখ্রে। ওর্দর অসিদা প্রদিপ খক্তা নত্তনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ওইরকখিবা এ ঘনশ্যামবুনা মহাক্কী মহুত্তা এম পি টি সীগী এদিসনেল দিরেক্টর ওইনা ট্রান্সফর তৌখিবগা লোয়ননা আই জি পি (ইন্টলিজেন্স/এন এ বি) ওইরকখিবা কবিব কেদা এম পি টি সীগী দিরেক্টরগী ফমসু অহেনবা ওইনা পুহনখ্রে হায়রি।

## জিরিবাম পি এসকী ও সীগী ট্রান্সফর চৎনহনখিদ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি দি জি পি রজিব সিংহনা থোকপা ওর্দর অমদা জিরিবাম পি এসকী ও সী ওইরকখিবা ইন্সপেক্টর এস ইবোতোম্বীবু হান্না থোকখিবা ওর্দরদা সী আই দি (সিক্যুরিটি) দা ট্রান্সফর তৌখিবদু চৎনহন্দনা মহাক্ন পি এস অসিগী ও সী মখা তানা ওইরগনি। ওর্দর অসিনা জিরিবাম পি এসকী ও সী হৈক্রুজম দেবেনকিশোরবুনা সী আই দি (সিক্যুরিটি) দা ট্রান্সফর তৌরে হায়রি।

## এক্সন লৌখৎপীয়ু : অমকিল

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা হৌজিক থোক্লিবা মীতৈ হাৎপা, মীতৈশিংগী য়ূম-কৈ মৈ থাবগী থৌদোকশিং অসি অমকিলনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ক্রাইম তৌরিবা মীওইশিংবু লৈঙাক্না অথুবা মতমদা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়রি।

## মণিপুর লৈঙাক্না মোদিগী ৱাশক লৌবা য়াওনবা লৈথোকখ্রিবসি জিরিবাম তুমহল্লগে হায়রিব্রা : পোইরৈ লৈমরোল



**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী থৌওং অসিদি য়াম্না পেন্দ্রে হায়রদুনা সেন্টরনা হায়রগসু নিপা থোক্তুনা ইরৈপাক ইরমদমনি হায়বগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## নাগাশিংনা মখোয়গী গেটতা নাগাগী য়ূমনি হায়বগী পোষ্টর থেংখ্রে




**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৬কী নুংথিলদা কুকি টেররিষ্টশিংনা মশাগী ফার্মদা থবক শূদুনা লৈজখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## জিরিবামগী ভি দি এফ পোষ্ট মৈ থারল্লে

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা জিরিবামগী লৈশাবীথোলদা লৈবা ভি দি এফকী পোষ্ট অমা কুকি টেররিষ্টশিংনা মৈ থাদোক্লল্লে হায়রি। অমরোমদনা, সী আর পি এফকী কনভোয় মরক্তা লাকখিবা কুকিশিংগী পোৎ চৈ পুরকখিবা ট্রক অমা খোইশাওনরবা মীয়াম্না চিংথরগা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

## ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্টতা কুকি টেররিষ্টশিংনা কাইহৌরকপা লেপত্রি

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা সেকমাই পি এসতগী অৱাং নোংপোক্তা কিলোমিটর ২ রোম লাপ্পনা লৈরিবা লুৱাংশঙ্গোলগী চীংথক্তগী কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে। এটেক চথরকপগী পাউ তাবদগী অয়ূক পুং ১১.২০ লোম তারকপদা কংলাতোংবীদা লৈবা এ আরগী পর্সনেলশিংনা কুকিশিংগী লৈফম তম্না বোম অমা কাপশিনখিবদগী মখা তারকখিদ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং পুং ৭.১০ রোম তারকপদনা য়াইঙংপোকপী পি এসকী মনুং চল্লিবা থম্নাপোকপী, য়াইঙংপোকপী অমদি শান্তি খোংবালনচিংবদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপ্লকপদগী হন্দুনা খুৎ থোক্লখ্রে।

## সোনিয়া গান্ধীবু সী পি পিগী চ্যেরপর্সন খনখ্রে, রাহুল গান্ধীনা ওপোজিসন লিদর ওইরবা য়ারি



**ন্যু দেল্লী, জুন ০৮ (এজেন্সী) :** তাঙ্কক তরেৎ থোক্না পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশীং থিবা লোইশিনখিবগা লোয়ননা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা অনৌবা লৈঙাক শেম্নবগী থৌরাং তৌরকপগা ইরোয়ননা রাজ্য সভাগী এম পি ওইরিবী সোনিয়া গান্ধীবু কোংগ্রেসকী খ্বাইদগী থাক ৱাংলবা প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা কোংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি পার্টি (সী পি পি) গী চ্যেরপর্সন ওইনা খনখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা পার্টি অসিগী মীফমদা মহাকপু য়েৎনবা লৈতনা চ্যেরপর্সন ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ঙসি নুমিদাং নরেন্দ্র মোদি প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি

**ন্যু দেল্লী, জুন ০৮ (এজেন্সী) :** হন্দক পাঙথোকখিবা লোক সভাগী সিট ৫৪৩গী মীখলদা সিট ২৪০ ফংদুনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইরকখ্রবা বি জে পি খক্তনা লৈঙাক পায়বা য়াবগী মশীং শুদ্রবসু এন দি এগী মখাদা চৎমিন্নরকখিবা টি দি পি, জে দি-য়ুনচিংবা পার্টিশিংনা শৌগৎনরকপগা ইরোয়ননা নরেন্দ্র মোদিবু এন দি এগী লুচিংবা ওইনা খনখিবদগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুগী মায়কৈদগীসু অনৌবা লৈঙাক শেম্নবা ঙরাং ইনভিটেসন পীখ্রবা মতুংদা মহাক্না লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক শেম্নবগী ক্লেম তৌখিবদগী হয়েং নুমিদাং পুং ৭.১৫ তারকপদা রাষ্ট্রপতি ভবনদা নরেন্দ্র মোদিবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

মহাক্কী অহুম্লকশুবা টর্মগী ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌগদৌরিবা অসিদা এন দি এগী মপাং পার্টিশিংগী মায়কৈদগী করম-করম্বা পার্টিগী এম পিশিংবু মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌগদগে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রগসু লৈবাক অসিগী মরু ওইবা পোর্টফোলিওশিং ওইরিবা হোম, ফাইনান্স, দিফেন্স, এক্সটর্নেল এফেয়রস, রেলৱেজ, রোদ ট্রান্সপোর্ট, লো, আই টি অমসুং এদ্যুকেসননচিংবদি বি জে পিনা পায়গনি হায়রি।

অদুগা এলাইন্সকী পার্টনরশিংদনা য়ামদ্রবদা মিনিষ্টর ১২দগী ১৫ ফাওবা পীগনি। অদুগা নরেন্দ্র মোদিগী অহুম্লকশুবা টর্মগী ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অসিদা শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিংঘে, সিচিল্লিসকী ভাইস প্রসিদেন্ট অহম্মদ অফিফ, মাওরিসিয়সকী প্রাইম মিনিষ্টর প্রবিনকুমার জুগনোথ, নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর কমলদহাল প্রচান্দা, মালদিপসকী প্রসিদেন্ট ডা. মোহম্মদ মুইজু, ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## লান্না লমজিংবীরম্বনি হায়না এ আরনা ক্লেম তৌবা নহা ৫ খূৎশিন্নখ্রে




**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা আই জি এ আর (সাউথ) হেদ ক্বার্টরসকী হাফলোং হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা লান্না লমজিংবীরম্বনি হায়দুনা ফোঙদোকপা নহা ৫বু তরাম্না ওক্লদুনা মখোয়-মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অসিদা মেজর জেনরেল রভরুপ সিংহনা নহাশিং অদুদা লেংয়ান ফি য়ানবীবগা লোয়ননা অচম্বা খুদোল পোৎ পীরবা মতুংদা মখোয়গী ইমুংগী অহল-লমনশিংদা খূৎশিন্নখিবনি।

এ আরগী মকোক থোংবা ওফিসলশিং অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি অমদি মখোয় মঙাগী অহল-লমনশিং য়াওনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মেজর জেনরেল অসিনা ফোঙদোকখিবদা লান্না লমজিংলুরবা নহাশিংবু অচুম্বা লম্বীদা পুরক্নবগীদমক মমা ওইবীশিংগী অচৌবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## অস! লোইরেহে!

- অনীংবা অমত্তা লৈত্রে।



## রিলিফ কেম্পতা লৈরবা ইমা-ইপানা শেল থোক্তবদগী চানীংবা অচাপোৎ ফাওবা লৈবা ঙন্নোই খঙদুনা লৈবীয়ু হায়দ্রে

### হকথেংনবা পাউদম

*চূড়াচান্দপুরগী সাইকোটতগী খুঞ্জা অনী*

**(ঙরাংগী মখা...)**

রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা পীক্লিবা মচিল-মনাওনা মখা তানা হায়, চুড়াচান্দপুরগী মীতৈশিংগী য়ূম খক নত্তনা লাইশঙ ফাওবা মৈ থাবগী ভিদিও ময়াম মোবাইল ফোনদা উখি। অদুবু ঐখোয়গী য়ূমদি করিগুম্বা মৈ থারমদ্রবদি ঐখোয় নুমিদাং অমুক চঙদুনা তূম্লুরসি হায়দুনা পাকথরগা মখোল থোকহন্দনা ঐখোয়গী য়ূম তম্না চৎখি। ঙাইহাক লৈরগদি কুকি নুপা ময়াম লাউ খোংদুনা লাকপগী মখোল তাবদগী ঐখোয় কিমন্দুনা অমুক চেন্থোরক্লগা চীং লোমদা লোৎপা চৎখি। অহিংদুমা মীতৈশিং চীংথক্তা লোৎখি।

ঐখোয়না চীং লম্বীদা লাকপদা কুকি ময়াম্না তান্নরকখি। মখোয়না নোংমৈসু কাপ্লকপনা পাকথরগা চেনখি। অদুগা ঐখোয়গা চেনমিন্নখিবা নুপাশিংদি ঐখোয়গী অপোকপা য়াওনা নাওরি পায়রগা কুকিশিং তম্না কাপ্ল-কাপ্লগা নুপী অঙাংশিংনা মাঙদা চেলহন্দুনা চীং য়ৌখি। চীংথক্তা অহিংদুমা লেকখি। ঈংবসু য়াম্না ঈংখি অদুগা কাংসু য়াম্না চিকখি। অঙাংশিংনা চাক লাম্বদগী কপ্লবা য়াওখি। চীংখোঙদা তাবা কোমশিংদগী ঐখোয়গী অপোকপনা চাক নিরুবগা নুপী অঙাংশিং পীজখি। অদুগা মথং নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ অদুৱাইদা সিফাই লাক্লগা ঐখোয়বু লৌথোকপীখি।

সিফাইনা ঐখোয়বু পুরকপদা লম্বীদা পুখিবা য়ারোই হায়না ফনা কুইনা কুকিশিংনা থৎলগা থমখি। টায়রগসু মৈ থাখি। অদুবু সিফাইশিংনা ঙমদুনা ঐখোয়বু পুরকখিবনি। অদু ফাওবদা কুকিশিংনা ঐখোয়না তোংবা গাড়ীদা নূঙনা থোল্লমখি অদুগা 'নয়ূমদা হল্লক্নু' হায়নসু লাউরকখি।

সিফাইগী কেম্পতা মতম খরা লৈখিবদসু কুকি নুপীশিংনা থাঙ পায়রগা চঙশিল্লক্লগা মীতৈশিং থম্বা য়ারোই, মখোয়গী লম নত্তে হায়না লাউশিল্লকখি। সিফাইগী কেম্পতগী অহানবা ওইনা মী খরা খরা হোন্দোকপদুদা ঐখোয়গী অপোকপগা ইমাগা হান্না পুথোকখি। অবোকসু হান্না পুথোক্লে হায়বদা ঐখোয়গী অপোকপনা মচিৎ-মচিৎ পুথোক্তৌবা ওইরবদি পুথোকপীরগনু, ঐখোয় মরি পূন্না পুথোকপীয়ু। শিরবসু ইপা ইচা অদুম শিজরগে হায়বদগী নোংমা নীনি শাংথরগা ঐখোয়বু খ্বাইদগী ইকোন ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মোংবা হনবা লাইফমলেনদা চঙবদা অথিংবা পীরম্বশিংগী মনুংদা অঙম অথৌ য়াওরল্লে : নন্দলাল অঙোমচা

**ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) :** মোংবা হনবা লাইফমলেনদা চহী ৩০০ লোম হেন্না মীতৈ ফুরুপ্পা চঙদুনা লাই খুরুম্বা ফংদনা লৈরক্লিবা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা লাইফমলেননি। অদুবু মসিদা অথিংবা পীরম্বদা লৈঙাক্কী অঙম অথৌশিংসু য়াওরল্লে হায়না ৱাচুম কাঙলোন থোঙ হাংবা লাইলূপ (ময়ায় লোয়শঙ), মোংবা হনবগী লুচিংপুরেল চীঙ্গাংবম নন্দলাল অঙোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

ইঙেন থাদা নুমিৎ ১০নি চখুগদবা মোংবা হনবা লাইফমলেনগী ঈরাৎ থৌনি থৌরম মোংবা হনবা লাইফমলেনদা হৌদোল্লন্দুনা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা থৌরম অসি পাঙথোকপা য়ারোইদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরম্মী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫